ত্রিপুরা ৱেষ্ট কন্সটিটুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৮ দা অমুক হন্না ভোট থাদনবা ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখ্রে

অগরটালা, মে ১০ঃ হৌজিক চংখরিবা ১৭ শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ১১ অহানবা ফেজদা ভোট থাদনখিবা ট্রিপুরা ৱেষ্ট লোক সভা কন্সটিটুয়েন্সিগী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৭৯ গী মনুংদা ১৬৮ দা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন্না হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার (সি ই ও) শ্রীরাম তরানি কান্তেনা হায়, রিপোল অসি হৌজিক চংখরিবা ইলেক্সন অসিগী থা অসিগী ১২ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ৬ শুবা ফেজগী ভোট থাদনগদবা অসিদা পাঙথোক্কনি। হৌখিবা এপ্রিল ১১ দা কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী ভোট থাদনখিবা অদু অরানবা অমদি নস্ফু কয়া তৌখি হায়বগী মতাংদা ওপোজিসন সি পি এম অমসুং কোংগ্রেসনা ৱাকৎপগা লোয়ননা কন্সটিটুয়েন্সি অসিদা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা দিমান্দ তৌখিবনি।

লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৮ অসিগীদমক সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স (সি এ পি এফ)কী কাঙবু থুংলদুনা লৈরে। অমদি মাইক্রো ওবজার্ভর অমসুং সেক্টর ওফিসারশিংসু হাপখ্রে। অমুক হন্না ভোট থাদনগদবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৮ অসিদা পূন্না ভোটর ১,৪১,২৫১ না ভোট থাদগনি।

এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩০ লৈবা ট্রিপুরা ৱেষ্ট পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী অমুক হন্না ভোট থাদনগদবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৮ অসি তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ২৬ কীনি। পোল্লিং ষ্টেসন খরা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন্না লৌখিবা ফিরেপ অদু কোংগ্রেস অমসুং সি পি এমনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রিপুর কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট তপাস দেনা হায়, কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন খরখক্তা অমুক হন্না ভোট থাদহনগনি হায়বসি অঙকপা ফাওই। অদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলগনি। সি পি এম ষ্টেট সেক্রেটরী গৌতম দাসনা হায়, ইলেক্সন কম্মিসন্না পোল্লিং ষ্টেসন খরখক্তা অমুক হন্না ভোট থাদনবা লাউথোরকপা অসি পেন্নিংঙাই ওইদে। বি জে পি স্পোক্সপার্সন অশোক সিনহানদি পোল্লিং ষ্টেসন খরদা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোরকপা অসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়খি।

পনবা য়াই, ষ্টেট অসিগী ট্রিপুরা ইষ্ট (এস টি) কন্সটিটুয়েন্সিগী ভোট অনীশুবা ফেজগী এপ্রিল ১৮ দা থাদগনদবনি অদুবু সেক্যুরিটিগী ইসুদা অহুমশুবা ফেজগী এপ্রিল ২৩ দা থাদনবা ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখিবনি। চৎলিবা থা অসিগী ২ দা ট্রিপুরা ৱেষ্ট লোক সভা কন্সটিটুয়েন্সিগী রিটর্নিং ওফিসারবু লৌথোক্কবা ইলেক্সন কম্মিসন্না নোটিফিকেসন অমা থোকখিবগা লোয়ননা ট্রিপুরা ইষ্টকী আর ও বিকাস সিংহনা মহাক্কী মহুৎ শিনখিবনি।

এপ্রিল ১১ অহানবা ফেজদা ট্রিপুরা ৱেষ্ট কন্সটিটুয়েন্সিগী ভোট থাদনখিবা অদুদা পাক শন্না হিংসাগী থৌদোক অমদি রেগিংনচিংবা থোকখি হায়না ওপোজিসন সি পি এম অমসুং কোংগ্রেসনা আর ওবু লৌথোক্কবা দিমান্দ তৌখিবনি হায়রি।

অতোপ্পা পাউনা হায়, ট্রিপুরা ৱেষ্ট কন্সটিটুয়েন্সিগী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৭৯ গী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৮ খক্তমক অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন্না লৌখিবা ফিরেপ অদুগী মায়োক্তা সি পি এমনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে। ষ্টেট কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট প্রাদয়োদ কিশোর মোনিক্য দেব বর্ম্মননা হায়, রিটর্নিং ওফিসারগী রিপোর্ট ওভর রুল তৌরগা ইলেক্সন কম্মিসন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৮ খক্তা অমুক হন্না ভোট থাদহনগনি হায়বসি জষ্টিফাইদ ওইদে অদুনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে।

অঙাংশিংগী নন রেসিদেন্সিয়েল কেম্প

ইম্ফাল, মে ১০ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱেলফিয়ারনা শীন্দুনা অঙাংশিংগী নুমিৎ ৫ নি চংখগদবা নন-রেসিদেন্সিয়েল কেম্প চৎলিবা থা অসিগী ২০ দগী ২৪ ফাওবা খুমন লম্পাক ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট বাল ভবনদা পাঙথোক্কগনি। চহী ১০ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা কেম্প অসিদা য়াওবা য়াগনি। সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্ট ঙাঙোম উতম সিংহনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়, কেম্প অসিদা শরুক য়ানিংবা অঙাংশিংনা থা অসিগী ১২ দগী ১৬ ফাওবা মণিপুর ষ্টেট বাল ভাবনদা লাক্কুনা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি। এজ প্রুফ সার্টিফিকেট অমদি পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ কোপি ২ লোয়নরক্কদবনি।

সেলহেটিদা রাজ্য সভা সিট ১ পীনবা তকশিনখ্রে

হৈলাকান্দি, মে ১০ঃ বরাক ভেল্লিদা লৈবা হিন্দু-ওরিজিন সেলহেটি মীয়ামগীদমক রাজ্য সভাগী সিট ১ পীবিনবা দিমান্দ তৌদুনা তকশিনখ্রে।

অসামদা রাজ্য সভা সিট ৭ লৈরিবনি। সেলহেটি মীয়ামগী কনভেনর ইরেস রঞ্জন ভট্টাচার্জিনা হায়, ১৯৫৭ দগী ২০০৮ ফাওবদা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইখিবশিংগী মনুংদা সেলহেটি অমত্তা য়াওদ্রি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা সেলহেটিশিংগী রাইটকীদমক ঐখোয়না লাম্হৈংনরি হায়নসু অসাম এগ্রিকলচর য়ুনিভ-র্সিটিগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিস ওইরম্বা করিমগঞ্জদগী ভাট্টচার্জিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা হায়, মসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী কন্সটিটুস্নেল হেদ পূম্নমক্তা মেমোরেন্দম পীশিনবা লৈখ্রে। লোয়ননা করিমগঞ্জদা সেলহেটি মীয়ামগী মিটিং পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে। ১৯৪৭ আগষ্ট ১৫ গী মমাঙদা অপূনবা অসামগী প্রোভিন্স অমা ওইনা লৈরম্বা সিলেট দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়া অসি স্কোয়ার কিলোমিটর ১৪,১০৭ নি।

মিজোরাম স্পোর্টস পোলিসি পুথোক্লগনি

আইজোল, মে ১০ঃ মিজোরাম সরকারনা চৎলিবা চহী অসিগী মনুংদা স্পোর্টস পোলিসি অমা পুথোক্লবা কল্লা থবক চঙশিল্লি অমসুং স্পোর্টসপু রেভিন্যু-আর্নিং সবজেক্ট ওইহনবা অহানবা ষ্টেট মিজোরাম্না ওইরগনি হায়রি। স্পোর্টস পোলিসি অসিগীদমক স্পোর্টস মিনিষ্টরনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা আইজোলদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে। স্পোর্টসপু ইন্দষ্ট্রি অমা ওইনা সরকারনা শক খঙবগা লোয়ননা লম অসিদা ইনভেষ্টর পুথোক্কুনা রেভিন্যু তানবা ঙম্নবা হোৎনরি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। অদুনা স্পোর্টসপু রেভিন্যু-আর্নিং সবজেক্ট ওইহনবা মিজোরাম্না অহানবা ষ্টেট ওইহনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মৈ থাদোক্লম্বা সেন্ট জোসেফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল শুগুগী ফিভম এদুকেসন মিনিষ্টরনা য়েংশিনখ্রে

ককচিং, মে ১০ঃ হৌখিবা এপ্রিল ২৫ গী নুমিদাংদা শকখঙদবশিংনা মৈ থাদোক্লম্বা শুগু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সেন্ট জোসেফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল শুগুগী ফিভম ঙরাং এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা জে এ সি এগেনষ্ট দ বর্নিং দাউন ওফ সেন্ট জোসেফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল শুগুগী চিয়ারমেন জোন থাংজলেট হাওকিপ অমদি অতৈ মেম্বরশিং, স্কুলগী ফাদর দোমিনিক, হেদ মিষ্ট্রেস রেভরেন্দ সিষ্টর এনিস, কেথোলিক স্কুল সোসাইটি মণিপুরগী দাইরেক্টর ফাদর ভিক্টর, এস পি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েংখোম, এস এস এ মণিপুরগী টি ফুলেন মৈতৈ, জেদ ই ও ককচিং ৱাই অচৌবা, জেদ ই ও চান্দেল নবচন্দ্র, স্কুল অসিগী ওঝা, মহৈরোয় অমদি গার্জিয়ানশিং য়াওবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। জে এ সিগী মায়কৈদগী এদুকেসন মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা ফোঙ-দোকখিবদি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্না এদুকেসনবু য়াম্না মরু ওইনা লৌদুনা থৱায় য়াওনা হোৎনরিবা, খুমাঙ চাউশিন্না চাউখৎলক্লিবা মতম অসিদা খ্বাইদগী লিরবা কেথোলিক স্কুলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সেন্ট জোসেফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল শুগু মৈ থাদোক্লম্বা হায়বসি য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অমনি। অসিগুম্বা থৌদোক্তা সরকারনা য়েংদুনা লৈরোই। চেন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক শোয়দনা লৌখৎকনি। মী খরসু ফাবা লৈরে। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু মরাল লৈবশিং ফাদুনা চৈরাক পীহন্নবা কন্না হোৎনরি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মহৈরোয়শিংগী খল্লগা স্কুল ওথোরিটি, থৌদোক অদুগী মতাংদা শেন্লিবা জে এ সি, অকোয়বদা লৈরিবা কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীয়াম্না কন্না হোৎনদুনা স্কুল অসি অমুক হন্না মহে তম্বা হৌনবা থৌরাং তৌরম্বা, মীয়াম্না অঙম অঙম্বা মতেং পাংদুনা মৈ চাকখ্রবা স্কুল বিল্ডিং শানবা হোৎনরম্বসি থাগৎনিঙাইনি। সরকারগী নৎত্রগা প্রাইভেটকী স্কুল হায়বা থিদনা মহে মশিন তম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা খূদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়বগী ৱাফমসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী শেংলবা মফম ওইরিবা মহৈলোয়শঙ মৈ থারম্বগী থৌদোক পূম্নমক্কা কন্দেম তৌমিন্নবগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং ফাদুনা চৈরাক পীহন্নবা হোৎনবসু মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা এদুকেসন মিনিষ্টরনা শেরৌ, পাঙলতাবী, ৱাঙু অমসুং ককচিং খুনৌদা লৈবা মহৈলোয়শঙ কয়া চঙদুনা য়েংশিল্লমখি হায়রি।

কাদাগী একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন ইবোতোনস্না স্কুলদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ঃ লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুথৎনবা পান্দমদা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না উরিপোক্তা লৈবা ইবোতোনস্না গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্না মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাঙথোকখ্রে।

স্কুল অসিগী ভাইস প্রিন্সিপাল ওইনাম জয়, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট এন দোরেন্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

গিতচন্দ্র মঙাংনা ফোঙদোক-খিবদি মহৈ মশিন তন্লিবা চহী নৌরিবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাংলে। হান্নদি নুপীনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী চাং য়াম্না নেমলম্মী অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা মহৈরোয় নুপীমচাশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী চাং অদুক্কী মতিক হেনগৎলক্লি। মসি অফবা নুংঙাইবা নত্তে, য়াম্না লাইবক থিবনি।

অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা মমা ওইবীশিংগী অচৌবা থৌদাং লৌরক্কদৌরিবা নুপীমচাশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক পাক শন্না শীজিন্নরকপা হায়বসি খুন্নাই অমা মাঙ তাক্লিংঙাই ওইনবগী অচৌবা মরম অমনি। এস পি হায়রিবা কেপসুল অসি হকচাং নোইবা মীওইনা চারবদি ফিগর তাই অমদি কুচু মুবা মীনা চারবদি ঔৌথোকই হায়বনচিংবা অরানবা ৱাখলনা লমজিংলগা থাজবা থমদুনা নুপীমচাশিংনা শীজিন্নবা হৌরকপগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিগী মহৌশাগী চৎনবীগা চুনবা ৱাৎপা মওংদা বার্থ দে পার্টিগী মিংদা নুপীমচা অমদি নুপামচা কয়া য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখল কয়াসু শীজিন্নবগী চৎনবী লাক্লি। বিয়ারবু য়ু ওইনা লৌনরক্তবা অমসুং বিয়ার থক্তবা নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচা অদু চৎনবী খঙদবা খুনুং চুবী ওইনা লৌনরকপা অসিগুম্বা মরম কয়া অসিনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক কয়াদা লাইচুনবগী মরুওইবা মরম অমসু ওইরি। লাইবক থিবদি বার্থ দে গী মিংদা মমা মপাশিংনা মচাশিংবু ফ্রিদা থাদোকপা অমসুং কদাইদা কৈদৌবা চৎলিবনো হায়না য়েংশিনবা ৱাৎপা অসিনসু নিষা শীজিন্নবগী মরম ওইহল্লি।

নুপীমচা নুপামচা কয়া শানৈ য়ুনৈদুনা ইঞ্জোই তৌরিবনি হায়দুনা ইজ্জৎ মাঙনিংঙাই ওইবা থৌওং কয়াসু চংথরক্তবা নত্তে। মদুদগী থৌদোক ৱাথোক কয়াসু থোকহল্লে। অদুনা তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইবা ঙম্নবা ময়াই কাবা মখল অমত্তগী চীঙ্গাক শীজিন্নগে হায়বগী ৱাখল খল্লোইদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় পূম্নমক্কী ইরক্তা তিনবীরম্বী **শ্রীমতি য়ুম্নাম সুনিতা দেবী** – না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লন্লগা হৌখিবা তাং ০৮।০৫।২০১৯ ইং, কালেনগী ৪ নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা সানাতোন দশ্নি লুপ মঞ্জুরি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৩।০৫।২০১৯ ইং কালেনগী ৯ নি পানবা, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২১।০৫।২০১৯ ইং, কালেনগী ১৮ নি পানবা, ইরাই নুমিত্তা লৈখিদ্রবীগী চিরা উৎসব দিন (শ্রাদ্ধ) থোক্লে। নুমিৎ অসিদা শ্রীকৃষ্ণ পৃতিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গঁ মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সংঙ্কির্ত্তনগা লোয়ননা কচ্ছগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ মপাং অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবীগা তীন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্কুনা নাম শ্রবণ ওইবিরনবা খবরগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

সেকমাইজিন খুনৌ।

পাউজেঞ্জরিবশিংঃ
য়ুম্নাম ব্রোজেন সিংহ (মপুরোইবা)
য়ুম্নাম রোশিনি সিংহ (মনাওনুপা)
য়ুম্নাম শনজিৎ সিংহ (মনাওনুপা)
অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংশিং

SL/Bill(Mayang Imphal)/11

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওঝাশিং তলব ফংদবা থা ২ শুরেঃ সি দি টি এ

চান্দেল, মে ১০ঃ জেদ ই ও চান্দেলগী মখাদা লৈবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওঝাশিং তলব ফংদবা থা ২ শুরে হায়না চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট টিচরস এসোসিয়েসন (সি দি টি এ)না ফোঙদোরক্লি।

সি দি টি এগী প্রসিদেন্ট এল কে প্রেমসন অনালনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হায়রিবা থা অনী অসিদা ইলেক্সন দ্যুটি অমসুং ট্রেনিংদা হেন্না শরুক য়াখিবনা জেদ ই ওনা ওঝাশিংগী থা অনীগী তলব থাদোকপদা নীংজিং মাংজিন্নবদগী মখোয়গী তলব ফংদবনি। মরী লৈনবশিংনা পে বিলনচিংবদি শেম শাবা লোইরবসু জেদ ই ওনা ফাজিন্দুনা থন্লি। মসিগী মতাংদা এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী কয়ারক হায়জরবসু থবক ওইনদি পাঙথোকপিদ্রি। অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবিদুনা অথুবা মতমদা ওঝাশিংগী তলব পীথোকপিয়ু। করিগুম্বা য়েংশিনবিদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং চংখরকপসু য়াই হায়নসু মখা তারি।

মঙ্গোলজাওবু অমুক হন্না এফ এফ এমগী চিয়ারমেন খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ঃ ফিল্ম ফোরম মণিপুর (এফ এফ এম)গী ২০১৯-২০২২ টার্মগী চিয়ারমেন ওইনা শমজেৎশাবম মঙ্গোলজাও সিংহবু অমুক হন্না খনখ্রে।

এফ এফ এমগী রিটর্নিং ওফিসার (ইলেক্সন) ঙাঙোম তেজকুমার সিংহনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চহী ৩ গী টার্ম অসিগী থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি শমজেৎশাবম মঙ্গোলজাও সিংহ চিয়ারমেন, বিরেন্দ্র সলাম অমদি ৱাইখোম গোজেন মীতৈ অনীমক ভাইস চিয়ারমেন, ঙাংবম ঘনশ্যাম জেনরেল সেক্রেটরী, ওইনাম গৌতম সিংহ, মোইরাংথেম সুরচান্দ অমদি উসম নিরজিৎকুমার সিংহ পূম্নমক জোইন্ট সেক্রেটরী, নিঙোম্বম তোম্বা সিংহ ট্রেজরর অমসুং লাইশ্রম প্রেমান্দ সিংহ সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসননি।

অন্দ্রো সি ও বিদা সেক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ঃ ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা অন্দ্রো কম্পনি ওপরেটিং বেজ (সি ও বি)দা সেক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে।

মিট অদুদা লমদম অদুগী মৈরা পায়বী, ৱার্দ কাউন্সিল্লরশিং অমদি লোকেল য়ুথ ক্লবকী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মিট অদুদা এরিয়া অদুগী সেক্যুরিটিগী মতাংদা মপূং ওইবা মীৎয়েং থমদুনা খন্নখি অমসুং আইন্না য়াদবা তোঙান তোঙানবা মখলগী থবক থৌওংগী মায়োক্তা মীৎ না শিংনা লৈনবা তঙাইফদবশিংগী মতাংদসু মখা তানা খন্ন-নৈনখি। অসিদসু নত্তনা সিভিক এক্সন প্রোজেক্টকা মরী লৈনবা এক্সন প্লান্টশিং মপূং ওইনা মেদিকেল কেম্প, অসাম রাইফলস অমসুং আর্মি রিক্রুইটমেন্ট অমদি কেরিয়র কাউন্সেল্লিংসু নহাশিংগী ওইনা খন্নখি।

অসিগুম্বা মখলগী সেক্যুরিটি মিটিং পাঙথোক্তুনা পূন্না ভাব তামিন্ননবগী থবক লৌখৎলকপা অসিগীদমক অসাম রাইফলসপু থাগৎপসু ফোঙদোক্লি।

হেলথ এৱার্নেস ড্রাইভ চংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ঃ ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা জয় হিন্দ হায়স্কুল মন্ত্রিপুখ্রিদা ঙসি হেলথ এৱার্নেস ড্রাইভ চংখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চীংমৈরোং কম্পনি ওপরেটিং বেজ (সি ও বি)না শীন্দুনা হকচাং ফনা অমদি লু নান্না লৈবগী তঙাইফদবশিং অদু খঙহন্নবা চংখিবা ড্রাইভ অদুদা স্কুল মহৈরোয় অমসুং ওঝা ৭০ হেনবনা শরুক য়াখি।

ড্রাইভ অদুগী মনুং চন্না হেলথ হজার্দকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙনবা ইসুগী মতাংদা লেকচর পাঙথোকখি। লোয়ননা তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনখি। ইন্টরেক্টিভ সেসনদা ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীখি। হেলথকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা ইসুশিং অমসুং লু নানবা অমদি মতম পূম্নমক্তা অকোয়বগী ফিভম শংহন্দুনা থম্বগী মরুওইবশিং অদুগী মতাংদসু নীংথিনা খঙহনখি হায়রি।

এন পি এফকী লুচিংবা ৭ রিজাইন তৌখ্রে

দিমাপুর, মে ১০ঃ হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা নাগালেন্দগী ওপোজিসন নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী সেন্ট্রেল ওফিস বিয়ারর ৭ পার্টি অসিদগী রিজাইন তৌখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, চয়োল অসিদা এন পি এফকী লুচিংবশিং রিজাইন তৌখিবা অসি মসিনা অনীরকশুবনি। চৎলিবা থা অসিগী ৩ দা পার্টি অসিগী এসেমব্লি য়ুনিট ৭ কী প্রসিদেন্ট রিজাইন তৌদুনা রুল্লিং পার্টি এন দি পি পিদা য়াওখিবনি। এন পি এফকী এম এল এ ৭ পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়বু দিসক্কালিফিকেসন তৌবিনবা পিটিসন অমসু হৌখিবা এপ্রিল ২৪ দা স্পিকরদা পীশিনখিবা লৈখ্রবনি।

মখোয়না হৌখিবা এপ্রিল ১১ দা অহানবা ফেজগী লোক সভা ইলেক্সনদা এন দি পি পিগী কেন্দিদেট শৌগৎখিবনি। ওপোজিসন পার্টিনদি ইলেক্সন অদুদা কোংগ্রেস মীরেপ কে এল চিসিবু শৌগৎনবা লেপ্পখিবনি।

এন পি এফ দিসিপ্লিনরি এক্সন কম্মিটিনা অতোপ্পা মেম্বর ১৬ তা মখোয়না এন্টি পার্টি এক্টিভিটিজ তৌই হায়বগী চার্জদা শো কোজ নোটিশ পীখিবসু লৈখ্রবনি। লোক সভা ইলেক্সনদা ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা সিটকীদমক পার্টিনা পূন্না লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা মখোয়না থবক তৌদুনা লম্বা তৌনরিবা অতোপ্পা মীরেপ্তা শৌগৎখিবা অদুমক এন্টি পার্টি ওইবা থৌওংনি হায়রি।

[illegible]/Piles ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক ঃ- নুংশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা-তঙবা, অমাংথোঙ-নাম্বুবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং-মরেং চৎপা, চক-চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ-অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ-পেচাকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ-চনপ লাওবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়দ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্বরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্বুরকপা, পিক্লা মরি অমা ওইনা ইম্বুরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্বুরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোইবা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা),লিভর চাওথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা – *Naorem Ibomcha Meitei*
Heingang Awang Leikai, Saya Club,
Imphal East-795002, P.O. Mantripukhri, P.S. -Heingang P/S
Contact No. 8014023792

Package

য়ুমশাশিং হিদাক কাপথোকখ্রে

থৌবাল, মে ১০ঃ ইন্টিগ্রেটেদ কেটল এন্দ ওর্গনাকি ফার্মরস ওর্গনাইজেসন চরাংপাৎ থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিসকা খূৎশম্নদুনা ঙসি য়ুমদা য়োকপা শা-ষণ, হুই অমসুং ওকনচিংবা হিদাক কাপথোকখ্রে।

পামদবা লায়না লাইওং কয়াদগী য়ুমদা য়োকপা শা ষণশিং ঙাকথোক্লবা পান্দমদা চহীগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা লেম্না হিদাক কাপথোকপগী প্রোগ্রাম ঙসি মফম ৩ হায়বদি চরাংপাৎ মমাঙ লৈকাই, ময়াই লৈকাই অমদি মনিং লৈকাইদা পাঙথোকখি। মদুদা নোংপোক সেকমাই ভেটিরিনরি দিস্পেন্সরিগী ডা. কে ব্রোজেন, আই সি দি পি সব-সেন্টর চরাংপাৎকী ফিল্ড এসিস্টেন্ট টিঐচ সুরেনকুমার অমসুং ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

খুল অহুম অসিগী পূন্না ষণ ৩০০, হুই ৩০০, হৌদোং ১০ অমদি ওক ৩০ হেনবদা লেম্না হিদাক কাপথোকখি। ইন্টিগ্রেটেদ কেটল ওর্গানিক ফার্মরস ওর্গনাইজেসন চরাংপাৎকী কনভেনর কেঐচ জিবন্না ফোঙদোকখিবদি ওর্গনাইজেসন অসিনা চহীগী ওইনা চংখবা থৌরাংগী মখাদা ঙসি য়ুমদা য়োকপা শা-ষণশিং হিদাক কাপথোকপনি। ঙসি ঙমহৌদবশিং হয়েং মখা তানা হিদাক কাপথোক্কনি।

সিলচরদা রবীন্দ্র জয়ন্তী পাঙথোকখ্রে

সিলচর, মে ১০ঃ অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ সিলচরনা শীন্দুনা ঙরাং শগোলশেল নুমিত্তা পরিষদ অসিগী মরূ শঙলেন সিলচরদা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ১৫৮ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ রবীন্দ্র জয়ন্তী পাঙথোকখ্রে।

পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরী ঙাঙোম বসন্তকুমার সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি থৌরম অদুদা পরিষদকী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে এন চান্দ সিংহনা মীফম মপু অদুগা আই এস থিঙ্গোম সাহিত্য ভূষণনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী মরমদা ডা. হাওরোংবম রাজমনি, ডা. খুমুজম খিরেন, ডা. মৈস্নাম নিংহাইবা, ডা. সৈত্যবতি নচিংবনা ৱা ঙাংখি।

বরাক তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওই কয়ানা রবীন্দ্র সঙ্গিট শকখি। লোয়ননা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরবু শৈথাদুনা শৈরেং কয়াসু পাথোকখি হায়রি।

নাগালেন্দ স্পিকরনা মার্জরদা অয়াবা পীখিবা ওর্দর এপেক্স কোর্টনা ষ্টে তৌখ্রে

দিমাপুর, মে ১০ঃ নেস্নেল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী এম এল এ ২ রুলিং নেস্নেলিষ্ট দিমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি (এন দি পি পি)দা মর্জ তৌবদা অয়াবা পীখিবা নাগালেন্দ স্পিকরগী ওর্দর সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ষ্টে তৌখ্রে।

এন পি পিনা ফাইল তৌরকখিবা স্পিসিয়েল লিভ পিটিসনগা মরী লৈননা চিফ জষ্টিস য়াওবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পীখিবা ওর্দরনা এম এল এ ২ এন দি পি পিদা মর্জ তৌরে হায়বা স্পিকরগী ওর্দর অদু চৎনহন্দনা থমখিবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা এন পি পি নাগালেন্দ য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অতো য়েপথোইমিনা থোকপা চেরোলনা ফোঙদোকখিবদি হৌখিবা মার্চ ২০ দা স্পিকরনা থোকখিবা ওর্দর অমনা এম এল এ ২ এন দি পি পিদা মর্জ তৌবদা অয়াবা পীখিবা অদু শীংনন্দুনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌখিবনি।

এন পি পিনা হায়রিবদি এম এল এ ২ অদু মখোয় মশানা পার্টিগী মেম্বরসিপ্তগী তোকখিবা অমসুং এন দি পি পিদা মখোয় মর্জ তৌরে হায়খিবা অদুগীদমক এম এল এদগী দিসক্কালিফিকেসন তৌফম থোকই হায়বসিনি। লোয়ননা এসেমব্লিগী মেম্বরসিপ্তগী মখোয়বু লৌথোক্কদবনি হায়রি। য়েপথোমিনা মখা তানা হায়, পিটিসন অদুগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা নাগালেন্দ স্পিকরদা নোটিস ইসু তৌখিবনি। কেস অসিগী হিয়ারিং অমুক হন্না জুলাই ফার্ষ্ট ৱিক্তা পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি।

ঙসিগী রাষি ফল (১১-০৫-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ শোক্কনবা, অশাওবা, খৎনবা মতম্নি। য়েক্লবা হেনগৎলগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ ফত্তে, ৩ ফগনি।

বৃষঃ চরক চহিং নাইবা, অপনবা য়েখাইবা থেংনবা মতম্নি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ খরা ফগনি।

মিথুনঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৫,৬,৭ অফবনি।

কর্কটঃ অরুবা খরা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, অচৌবশিংনা চানবিবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

সিংহঃ খৎনবা শোক্কনবা, হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎপা, শেল চৎপা কল্লকপা য়াম্বা মতম্নি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ ফগনি।

কন্যাঃ অপনবা, য়েখায়বা মরক্তা অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ খরা ফগনি।

তুলাঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা কান্নবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

বৃশ্চিকঃ খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

ধনুঃ অশোক অপন নংবা, কোক শাবা, খৎননিংবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ ফগনি।

মকরঃ চরক চহিং নাইবা মতম্নি। অদুবু অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ অফবনি।

কুম্ভঃ খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

মীনঃ হকচাং ৱাখল ফগৎপা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।


ৱারী-১২
অপডবা হিংচাবা
হন্দক্তি মখোলদু তাবদা হিংচাবদু খৌতক চারে
হৈস, খোঞ্জেলসিদি অমুক্তা তাদ্রিনা অচম্বদি নত্তে খরা চেকশিন্দবা য়াদে
খোঞ্জেন তপথখরে
থোঙ লোল্লিবসি অমুক্তা হাংবিয়ু কনানো মশক খঙজগে